# নাইজেরিয়াদা বোকো হারামনা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৫ হাৎখ্রে



মাইদুগুরি (নাইজেরিয়া), ফেব্রুৱারী ০১ ঃ
নাইজেরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা সীটি মাইদুগুরিগী মনাক্তা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপ বোকো হারামনা চত্থখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিখ্রে হায়না হোস্পিটালগী মোর্গ অমদা অশিবশিংগী মশীং থিরবা মতুংদা ফাইল তৌখিবা রোইটর্জগী পাউ অমনা হায়রি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী এটেক অদুদা ভিক্টিম কয়াগী হকচাংশিং মশক খঙবা ঙমদবমখৈ মৈনা চাকখি। ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা মীশিংদা নোংমৈ কাপখি, য়ুম কয়া মৈ থাখি অমসুং মী য়াম্না তীনবা মফম অমদা সুইসাইদ এটেকশিং চত্থখি হায়না সিক্যুরিটি অমসুং মেদিকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নাইজেরিয়ন মিলিটরিগী স্পোক্সমেন মুস্তাফা অনকাসনা হায়খি মদুদি, বোর্নো ষ্টেটকী মাইদুগুরি সীটিগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর মঙারোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা বোকো হারামগী মিলিটেন্টশিংনা দালোরি কাঙলুপকী মীওইশিংদা এটেক তৌখি। এটেক অদু চয়োল অসিদা লালহৌবা গ্রুপ অদুনা পাঙথোকপনি হায়বা অহুন্নকশুবা অমসুং খ্বাইদগী শাথীবা এটেক্নি। লম খুদুম চনবদি ঙমদ্রবদা বোকো হারামনা খুঙ্গং কয়াদা এটেক তৌদুনা চেনবা অমসুং লাইনিং-লাইশোলগী মফমশিং নৎত্রগা কৈথেলশিংদা এটেক তৌবগী থৌদৌশিং ওইনা চত্থরকখি।

য়ুমলোন্নবা অদামাৱা ষ্টেটতা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা বোকো হারামগী মিলিটেন্টনি হায়না চিংনবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীওই ১০ হাৎখি অমসুং হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা বোর্নো ষ্টেটকী খুঙ্গং অমা ওইরিবা চিবোকতা চত্থখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখি। কুমজা ২০১৪ দা খুঙ্গং অসিদগী বোকো হারামনা স্কুল তন্নীবী চহী নৌরিবী নুপী ২০০ হেন্না ফাখিবনি।

অনকাসনা হায়খি মদুদি, লালহৌবশিংনা কার অনী অমসুং মোটোরসাইকলশিংদা তোংদুনা দালোরিদা চঙলকখি অমসুং মফম অদুগী মীশিংদা নোংমৈনা হালেংদনা কাপখি অমসুং য়ুম কয়া মৈ থাখি। "মীশিংনা মশা হিংনবা খা-ৱাং খঙদনা কোইচে চেন্দুনা লৈনরিঙৈদা নুপী সুইসাইদ বোম্মর অহুম্না মীয়াম মরক্তা চঙশিনখি অমসুং বোম মথং-মথং পোকখায়রকখি" হায়না মহাক্লা অশিবা মীশিংগী মশীংদি ফোঙদোক্তবীদা হায়খি।

থৌদোক থোকফমদা ষ্টেট ইমর্জেন্সি এজেন্সীগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, মীওই ১২ গী হকচাং মশক খঙবা ঙমদবমখৈ চাকখ্রে। মখোয়শিংদু পায়খৎপা ফাওবা য়াদ্রে।

দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা বোর্নো ষ্টেটকী কেপিটেল মাইদুগুরিদা চত্থখিবা বোমগী এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮ শিখিবনি। ষ্টেট অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট অমা লিংনবা চহী তরেৎ লালহৌবগী অকনবা ঈরাং লৈরকখি। মীওই মিলিয়ন অনী হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে অমসুং মীওই লিশিং-লিশিং হাৎখ্রে। ময়ুম মকৈ লৈতবশিংগী চঙজফম মফম ওইরকখিবগা লোয়ননা মাইদুগুরিগী মীশিং হৌখিবা চহী খরা অসিদা হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎতুনা মিলিয়ন মরিরোম য়ৌখি।

তোঙান-তোঙানবা সুইসাইদ এটেক অনীদা বোকো হারামগী মিলিটেন্টশিংনি চিংনবশিংনা চাদকী কেপিটেল নদজামেনাগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্না লৈবা চাদ পাৎকী মনাক্কী মফম অনীদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম হাৎখি হায়না সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। সুইসাইদ বোম্মর ওইরম্বা য়াবা মীওই অমদি মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না মখোয়না মখা তাখি।

# ম্যান্মারদা অনৌবা পোলিটিকেলগী তাঙ্কক অমা হৌখ্রে



নেপিয়িদো, ফেব্রুৱারী ০১ ঃ
ঙসি ওং সান সু চিগী প্রো-দেমোক্রেসি এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা মশা-মশাগী ফম্ফমশিংদা ফম্ন খিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা চহী কয়া লিশাং শিংনা নমথদুনা থল্লকখিবা ম্যান্মারদা মীয়ামগী অনিংবা-অপাম্বশিং থুংহনগনি হায়না থাজনবা অনৌবা পোলিটিকেলগী তাঙ্কক অমা লাকখ্রে।

হৌখিবা নভেম্বরগী মীখলদা শীংথানিংঙাই ওইনা চাউনা মায় পাক্লকখিবদা নুংঙাইবা পোক্লবা নেসনেল লিগ ফোর দেমোক্রেসি (এন এল দি)গী লোমেকরশিংনা কোমলা মচুগী পাস্টেল য়ুনিফোর্মশিং শেৎতুনা কেপিটেল নেপিয়িদোদা মখোয়গী অহানবা নুমিৎকী থবক্কীদমক থুংলখি।

নভেম্বরগী মীখল অদুদা এন এল দিনা আর্মিগী ইষ্টাব্লিশমেন্টদগী অয়াম্বা সীটশিং মুনখি অমসুং মতম শাংনা মিলিটরি জন্টানা নমথদুনা লৈরুরবা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী অনৌবা মতম অমা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা অমা মীয়ামগী ৱাখলদা পোকহনখি। ম্যান্মারগী দিমোক্রেসিগী লাঞ্জংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা সু চিনা চাউরবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং অদুদা ৱা-লান ঙাঙদনা চঙখি। মহাক্লা অতেনবা মতমগী মীফম অদুগীদমক্তা সীট অমদা চঙশিন্দুনা ফমখি। লোমেকর কয়া ৱাশক লৌবগা লোয়ননা সেসন অদুদা সু চিগা য়াম্না নকশিন্নবা মীচং ওইরিবা ৱিন মিয়িন্টবু লৱার হাউসকী স্পিকর খনখি। "ম্যান্মারগী পোলিটিকেলগী পুৱারী অমসুং দেমোক্রেটিক ট্রাঞ্জিসনদা ঙসি অসি চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা নুমিৎ অমনি" হায়না স্পিকরগী ফম অদুবু য়ারদুনা ৱিন মিয়িন্টনা হায়খি।

চহী য়াঙ্খৈরোম জন্টাগী লৈঙাক্লা শেল-থুমগী ফীভম কাং-খোং চাইহল্লবা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অসিদা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা মায়োক্লরিবা অরুবা থবক অমদি ম্যান্মারবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকনি। এন এল দিগী এম পি কয়া গভর্ণমেন্টকী মথৌ-মঙমশিং পাঙথোকপদা হৈ-শিংদ্রিবা পোলিটিকেলগী মীনৌশিং ওইরি।

মীখলদা মায় পাক্তুনা লাকপা নৎতবা লান্মীনা সীট অপুম্বগী চাদা ২৫ পায়রিবা লেজিসলেচর অমদা এম পিশিংনা অরুবা ৱারেপ লৌবগী প্রোসেস অমদা থুনা হৈনশিনবা চঙলি। "মসি লৈবাক অসিগী ওইনা পুৱারীদা মুৎনাইররোইদবা পুংজা অমনি হায়না ম্যান্মারগী পোলিটিকেল এনালিষ্ট খিন জো ৱিন্না হায়খি।

লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১১ দা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী অহোংবা কয়া পুরক্তুনা মীখল পাঙথোকপা য়াহনখিবা ম্যান্মার আর্মিগী জেনরেল ওইরম্বা প্রসিদেন্ট থৈন সৈনগী মহুৎ শীন্নবা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনগনি। মিলিটরি লৈঙাক্লা দ্রাফট তৌখিবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা সু চিবু মীরৈবাক মচা অমদা ময়ুম পাল্লি অমসুং মচা পোকই হায়বগীদমক প্রসিদেন্টগী ফম পায়বদা অথিংবা থমই।

মশাগী চহী ৭০ শুরবা সু চিনা মসিগী খুদোংচাদবা অসি মহাক্কী মহুৎতা খনগদবা প্রোক্সি প্রসিদেন্ট অমগী মথক্তা লৈঙাক্তুনা কোকহনগনি হায়না লেপখিবনি। কনাবু (প্রোক্সি) প্রসিদেন্টগী ফম পায়হনগদগে হায়বসি মহাক্না (সু চিনা) ফোঙদোক্লি। কেন্দিদেটশিং খন্নবগী চপ চাবা মতম অমা লেপত্রিবা ওইরবসু মদু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পাঙথোক্লবা যাই হায়না থাজনরি।

হাউস অনীমক্কী মীখলদা কারকপা মেম্বরশিং অমসুং মিলিটরিনা মার্চফাওবা ফম পায়দুনা লৈগদৌরিবা প্রসিদেন্ট থৈন সৈনগী মহুৎ শীন্নবা কেন্দিদেট অহুম খনগনি। মদুগী মতুংদা হাউস অনীমক্না পুন্না ভোট থাদদুনা প্রসিদেন্ট খনগনি।

# য়েমেনগী রোকেটনা পান্দুনা সাউদি অরাবিয়াদা অঙাং শিখ্রে

সানা, ফেব্রুৱারী ০১ ঃ
ঙরাং সাউদি অরাবিয়াগী ঙমখৈ লমদা লৈবা য়ুম অমা য়েমেনলোমদগী কাপ্লকখিবা রোকেট অমনা পানবদগী য়ুমদুদা লৈবা চহী ১১গী অঙাং অমা শিখ্রে অমসুং ইমুং অদুগী অতৈ মীওই মাপননা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না সিভিল দিফেন্সকী ওথোরিটিশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল এস পি এ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়রি।

য়েমেনদা ওপরেট তৌবা সিয়াইট হুথি রেবেলশিংনা বোর্দর লান্না রোকেট কাপশিন্দুনা চত্থবা এটেক হৌখিবা চহীগী অথেংবদগী হেঞ্জিল্লকখি।

হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদগী সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না য়েমেনদা নোংথক অমসুং লৈমায়দা মিলিটরি এক্সনশিং লৌখৎপা হৌখিঙৈদগী সাউদিগী বোর্দর লমশিংদা থোকপা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমসুং খুৎথোক্লবগী থৌদোকশিংদা মীচম অমসুং লান্মী ৯০ রোম শিখ্রে।

কেপিটেল সানানা পায়শিনখ্রবা ইরাননা শৌগৎপা সিয়াইট হুথি রেবেলশিংবু তকথোকখিনবা হোৎনবদা কোলিসন্না য়েমেন গভর্ণমেন্টবু মতেং পাংলি। য়েমেনদা হৌখিবা মার্চতগী মীওই ৫,৮০০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং মীওই ২৭,০০০ অশোক-অপন নংখ্রে। হাৎখিবশিংগী মনুংদা তঙ্খাই অমরোমদি মীচম ঙাক্তনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

# 'অসাদ রেজিমনা মীচম হাৎনবা মতম লৌরে'

রিয়াদ, ফেব্রুৱারী ০১ ঃ
সিরিয়াদা থোক্লিবা সিভিল ৱারগী মতাংদা সোলুসন অমা পুরক্নবা পাঙথোকপা পিছ তোক্সতা প্রসিদেন্ট অসাদকী রেজিমনা য়াওশিন্নবা থৱায় য়াওনা হোৎনবগী মহুৎতা সিরিয়াগী মীশিং হেন্না হাৎননবা মতম লৌদুনা লৈরে হায়না সিরিয়ন ওপোজিসন গ্রুপ অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

অদুম ওইনমক সিরিয়ন ওপোজিসনগী ৱাফম অসিবু গভর্ণমেন্টগী দেলিগেসন অমনা খুদক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং ওপোজিসন্না ঈরাং লোইশিন্নবা লুনা হোৎনদে মখোয়গী ওইনদি হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসি লোইশিনবা পামই হায়খি।

গভর্ণমেন্টগী দেলিগেসন চীফ বাসর অল জাফারিনা ওপোজিসনবু ফোরেন পৱারশিংনা শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনি হায়খি, তৌইগুম্বসুং মহাক্লা ওপোজিসন কাঙবুনা দিমান্দ তৌবগুম মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা অৱা তেংবাংগী পোৎলমশিং অমসুং হীদাক লাংথক্ল চিংবশিং পুশিনবা য়াহন্নবা খন্নরি হায়খি।

ৱারী শানবগী মপুং ওইবা পান্দমদি মীওই ২৬০,০০০ হেন্না শিহনখ্রবা অমসুং লৈবাক্কী অপুনবা মীশীংগী তঙ্খাই অমা হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনদ্রিবা চহী মঙা শুরবা সিভিল ৱার অদুবু লোইশিনবা য়াগদবা সোলুসন অমা পুরকপনি।

খ্বাইদগী নৌবা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকহনবা ঈরাংগী থৌদোক্তা কেপিটেল দামাসকসতা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮০ শিখি। ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা সিয়া মুস্লিমশিংনা মশীং হেন্না তবা সায়িদা জৈনাবতা শাথীবা মওংদা বোম্মিং এটেকশিং চত্থখি।

খ্বাইদগী নৌবা আই এসকী এটেক অদুদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা বস খাম্ফম অমদা কার বোম অমা পোকখায়হনখি অমসুং রেস্ক্যু টিমশিং মফমদুদা চঙশিন্নবা মতমদা সুইসাইদ বোম্মর অনীনসু মখা তানা বোম পোকখায়হনখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফোরন পোলিসি চীফ ফেদেরিসা মোঘেরিনিনা হায়খি, ৱারী শানবা থুগাইনবা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনদি নাকল অনীমক্তা মখা তানা পিছ তোক্সতা ইনগেজ তৌনবা অপিল তৌখি।

সাউদিনা শৌগৎপা ওপোজিসন হাই নিগোসিয়েসন কম্মিটি (ঐচ এন সী)বু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা দেলিগেসননা মীচমশিং লৈবা মফমশিংদা এটেক তৌবা লেপ্পা, ফাজিন্দুনা থল্লিবশিংবু থাদোকপা অমসুং অৱা তেংবাংগী পোৎলমশিং পুশিনবদা অথিংবা থল্লিবদু লৌথোকখিবা পামই। থৌরাংশিং অদু হৌখিবা থাদা এপ্রুভ তৌখিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনদা য়াওখি। রিজোল্যুসন অদুনা সিরিয়াগী পিছ প্রোসেসকী অয়াবা পীখিবনি।

ওপোজিসনগী নিগোসিয়েটিং দেলিগেসনদা য়াওবা বাসমা কোদমানিনা হায়খি, য়ু এনগী অখন্নবা পাউখোল্লোই ষ্টাফান দে মিষ্টুরা, য়ু এনগী চীফ বান কি-মুন অমসুং য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা মখোয়দা থাজবা কয়া পীরকখি।

"ঐখোয় অসুম্না থাজবা কয়া পীরকপদগী জিনেভাদা লাকপনি। মীওইবগী অৱাবা-খুদোংচাদবা ফীভমগী মতাংদা অফবা অহোংবা খরা শোইদনা লাক্লগনি হায়না চপ চাবা কম্মিটমেন্টশিং পীরকখি" হায়না কোদমানিনা হায়খি।

"অসিগুম্বা অহোংবশিং লাক্লগনি হায়বগী চপ চাবা ঈঙ্গিৎ অমা উদ্রিমখৈদি ঐখোয়না পোলিটিকেল নিগোসিয়েসন্স হৌবা ঙল্লোই" হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী গভর্ণমেন্ট অমসুং রসিয়া য়াওনা মসিগী মীচংশিংনা লালহৌবশিংনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা মফমশিংদা বোম থাদবা হেনগৎলকপদগী ঐচ এন সীদা খোইরাং-খোইশাওবা পোকহনখি। অদুম্না নোংথক্তগী বোম কন্না থাদবা অদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লাঙ্গোই চল্লিবা মফমশিং অদুদা হ্যুমেনিটেরিয়নগী তেংবাং পীবদা অপনবা ওইরি হায়রি।

ঐচ এন সীগী স্পোক্সমেন রিয়াদ হিজাবনা পিছ তোক্স অদুদগী মখোয় তোকখিবা য়াই হায়খি।

য়ু এন অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টবু অসিগুম্বা অরান-অহুইগী থৌওংশিং লোইশিনহন্নবা প্রেসর পীদ্রবদি গ্রুপ অদুনা জিনেভাদা লৈবগী মরম চাদে হায়না মহাক্লা হায়খি।

য়ু এননা শীন্দুনা জিনেভাদা চত্থরিবা পিছ তোক্স অদুদা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈশিংনা হকথেংননা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানদে তৌইগুম্বসুং মখোয়না মিদিয়েটরশিংগী খুত্থাংদা ৱারী শানৈ। ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল নুশরা য়াওনা জিহাদি গ্রুপশিংদি ৱারী শানবা অদুদা শরুক য়াদে।

# ফ্রান্সনা ক্যুবাগী কম্যুনিষ্ট প্রসিদেন্টবু তরাম্না ওক্লি

পেরিস, ফেব্রুৱারী ০১ ঃ
ক্যুবাগী কম্যুনিষ্ট প্রসিদেন্ট রাউল কাষ্ট্রোনা য়ুরোপতা চৎপা মহাক্কী ইহান হানবা ষ্টেটকী খোঙচৎতা ঙসি পেরিসতা ওফিসল খোঙচৎ হৌখ্রে। খোঙচৎ অসি মহাক্কী ঈথৎ লৈবাক্তা য়ুরোপকা মরী নৌনা শাগৎনবা হোৎনরকপদা মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা লৌনরি।

ক্যুবাগী লুচিংবা অদু চেমস এল সি এভিন্যুগী মথক্তা লৈবা ক্যুবান মচুশিংনা লৈতেংলবা অর্ক দে ত্রিম্ফকী মখাদা তরাম্না ওক্কনি।

মশাগী চহী ৮৪ শুরবা কাষ্ট্রো কুমজা ২০০৮ তা ময়াম্বা ফিদেল কাষ্ট্রোগী মহুৎ শীন্দুনা ক্যুবাগী প্রসিদেন্টগী ফম পায়রকখিবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মহাক্কী অহানবা ওফিসল খোঙচৎ চৎখিবনি। মহাক লন্নাই খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা থাংজ নুমিৎতগী ফ্রান্সকী কেপিটেল পেরিসতা লৈরকখি।

## REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL-795004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

## TENDER NOTICE
Imphal, the 28th Jan. 2016

**No. RIMS-URO/HOS/E-M-15:** Sealed Tenders (Two bid system) from registered firms/ manufacturers/Authorised Dealers are invited for supply and installation of instruments for use of Urology Department RIMS Hospital, Imphal listed at annexure-A. Tender documents containing detail specifications of the above items along with terms and conditions of supply can be had from the office or it can be downloaded from the Institute's website i.e. www.rims.edu.in and CPP Portal website i.e. www.eprocure.gov.in on or after 29/01/2016. Tender documents will be supplied on request upto 18/02/2016, during office hour. The sealed tender should be submitted through post/courier/hand latest by 4:00 p.m. of 20/02/2016. Sealed tender will be opened on 24/02/2016 at 2:00 p.m.

Sd/- Prof. S. Rita Devi
Director, RIMS, Imphal

HL-B/2934/02

## ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ/Document Lost
I have lost my original Certificate and Marksheet of HSLC Examination bearing Roll No. 23612 of 2012 issued by BOSEM and Provisional Certificate, Marksheet and Migration Certificate of Hr. Secondary Examination bearing Roll No. 6639 of 2014, issued by COHSEM on the way between North AOC Bus Parking and Langthabal Chingthak, Imphal West on 22/12/2015.
Finders are requested to handover the same to undersigned.

Sd/- Godaimei Geary,
Langthabal Chingthak, I/W, # 8892727514
HL-P/7461/02

## HOUSIE য়েথোকচরে
Bumper Housie Draw in aid of Taekwondo Training School Brahmapur Laljilakpa Imphal East B.S.C. Ground দা Date 2/2/2016 February দা তৌজগনি হায়না তৌরম্বদু লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা তাং ২০/৩/২০১৬ নোংমাইজিংদা শুংশোই শোইদনা তৌজরগনি। মসিগীদমক টিকেট লৌবিখিবা পূম্নমক্লা ৱারৌবিগনু।

হায়জরিবা : The Brahmapur Social Club
Laljilakpa Leikai Sangai Chuthek
HL-P/7456/2

## EMPLOYMENT NEWS

### INTELLIGENCE BUREAU – IB RECRUITMENT 2016
Intelligence Bureau invites applications for the post of 69 Personal Assistant on direct recruitment. Apply Online before 20 February 2016.
*Job Details :*

| | | |
|---|---|---|
| Post Name | : | Personal Assistant |
| No. of Vacancy | : | 69 Posts |
| Pay Scale | : | Rs. 9300-34800/- |
| Grade Pay | : | Rs. 4600/- |

Eligibility Criteria for IB Recruitment :
Educational Qualification : 12th pass or equivalent with proficiency in stenography 10 minutes @ 100 words per minute and Skill test on computer-transcription of shorthand, 40 minutes (English) and 55 minutes (Hindi).

| | | |
|---|---|---|
| Nationality | : | Indian |
| Age Limit | : | 18 to 27 years |

Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
Job Location : All India
**Selection Process :** Selection will be made on written examination & stenography skill test.
**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 50/- through Challan. SC/ST candidates are exempted from the payment of application.
**How to Apply IB Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.mha.nic.in/ from 30.01.2016 to 20.02.2016.
**Important Dates to Remember :**

| | | |
|---|---|---|
| Starting Date for Submission of Online Application | : | 30.01.2016 |
| Last Date for Submission of Online Application | : | 20.02.2016 |
| Last Date for Deposit the Fees | : | 22.02.2016 |

Apply Online : http://www.mha.nic.in/LatestUpdate

**Indian Council of Agricultural Research (ICAR)**
ICAR Research Complex for N.E.H. Region
Umrol Road, Umiam - 793103 (Meghalaya)

Applications are invited from eligible candidates for the following vacancies of Lower Division Clerk (LDC) :
- **Lower Division Clerk (LDC)** : 09 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 grade pay Rs. 1900/-, Age : 18-27 years

**Application Fee :** Rs. 200/- in the form of crossed Indian Postal Order only drawn in favour of Director, ICAR Research Complex for NEH Region, Umiam. Application fee for SC/ST/PWD(PH) and women candidate is Rs. 100/- only.
**How to Apply** : Applications should be send on or before **20/02/2016** to the **Director, ICAR Research Complex for NEH Region, Umroi Road, Umiam – 793103, Meghalaya**.
Please view
**http://www.icarneh.ernet.in/employment/Advertisement%20for%20the%20post%20of%20LDC%20at%20ICAR,%20Umiam.pdf** for detaild and application format.

**Tripura Medical College & DR. B.R. Ambedkar Memorial Teaching Hospital**
Hapania, Agartala - 799014, Tripura

Applications are invited for the following faculty posts in Tripura Medical College :
- **Professor** : 05 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 AGP Rs. 10000/-
- **Associate Professor** : 05 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 AGP Rs. 9000/-
- **Assistant Professor** : 06 posts, Pay Scale : Rs. 15600-39100 AGP Rs. 6000/-
- **Tutor / Sr. Resident** : 05 posts, Pay Scale : Rs. 13575-37000 GP Rs. 3700/-

**How to Apply** : Application should be send to Chief Executive Officer at the above address on or before **10/12/2015**.
Please view
**http://tmc.nic.in/Recruitment%20Notification%20IMG.pdf** for detailed information.

**INDIAN ARMY**

**JAG Entry Scheme 17th Short Service Commission (SSC) (NT) Course October-2016 for Law Graduates Men and Women**
Applications are invited from Indian Nationals Law Graduates Men and Women for grant of Short Service Commission (SSC) in the Indian Army for **Judge Advocate General (JAG)** Dept.
- **SSC Officer Law Graduate :** 14 posts (Men-10, Women-4), Qualification : 55% marks in LLB Degree (3 years after Graduation or 5 years after 10+2), Age : 21-27 years as on 01/07/2016, Pay Scale : PB-3 Rs. 15600-39100 Grade Pay Rs. 5400 plus MSP Rs. 6000.

**How to Apply** : : Apply Online at Indian Army recruitment website from **18/01/2016 to 16/02/2016** only.
For this recruitment, details and online submission of application can be had at
**http://www.joinindianarmy.nic.in**

**Cochin Shipyard Limited**
Kochi - 15, Kerala

Online Applications are invited for the following posts of Executive Trainees in Cochin Shipyard Limited :
1. **Assistant Manager (Finance)** : 03 posts (UR-2, ST-1)
2. **Executive Trainee (Finance)** : 02 posts (UR)
3. **Executive Trainee (Company Secretary)** : 02 posts (UR)

**How to Apply** : Application in the prescribed format should be send to **The Chief General Manager (HR&Training), Cochin Shipyard Ltd, Kochi - 682015, Kerala** on or before **24/02/2016** only.
Please visit **http://www.cochinshipyard.com/career.html** for more information and Application Form.

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.
PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))
Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.
4G
Only at Rs. 5699/-
* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)
2300mAh
HL-B/2895/13/01-12/02

PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG
ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)
- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Seats are limited
Classes commencing from 28th January, 2016
For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356
HL-B/2915/22/01-6/02